# সিদ্রময়ানা কর্নাটকাগী সিএম ওইরগনি

## সিবকুমারনা দিপ্যুটি সিএম অমসুং পি সি সি চীফ ওইরগনি

**মেঙ্গলুরু, মে ১৮ (এজেন্সী):**

ফম মুন্নরিবা পার্টিগী লিদর অনীগী মরক্তা করম্বনা চীফ মিনিষ্টরগী চিয়র পায়হনগদগে হায়বগী মতাংদা কুমজা ২০১৮ গী দিসেম্বরদা ছতিসগর অমসুং রাজস্থানদা থোকখিবগা মান্ননা পুং ১০০ হেন্না নৈনরক্লবা মতুংদা কংগ্রেসনা সিদ্রময়াবু ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি অমসুং ষ্টেট য়ুনিট প্রসিদেন্ট দিকে সিবকুমারবুনা অমত্তা ঙাইরবা দিপ্যুটি সিএম ওইরগনি হায়না শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিলদা লাউথোকখ্রে।

কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি কেসি ভেনুগোপালনা ফোঙদোকখিবদা লোক সভাগী ইলেক্সনগী মতম ফাওবা সিবকুমারনা মখা তানা কর্নাটকা প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী চীফ ওইগনি।

কুমজা ২০১৮ গী দিসেম্বরদা রাজস্থানদা পার্টি অসিনা অশোক ঘেলোটপু চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনবগা লোয়ননা সচিন পাইলোটপুনা দিপ্যুটি সিএম খনখিবনি। মতমদুদা পাইলোটনা কংগ্রেসকী ষ্টেট য়ুনিট চীফসু ওইখি। মতুং তাবদা মহাক ফম অনী থাদোকখি। তৌইগুম্বসুং কর্নাটকাদা কংগ্রেসনা ছতিসগরদা থোকখিবগুম্না হেন্না মপুং ফাবা মওংদা মায় পাকপা ঙমখিবনা মরম ওইদুনা পার্টি অসিনা ষ্টেট অসিগী লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা লৈরিবা পার্টিগী মশিং অসিনা মরম ওইদুনা কনাগুম্বা অমত্তনা য়ৈখায় থিনগায়বা থোকহল্লকপা ঙম্লোই হায়না থাজরি।

কর্নাটকাগী অনৌবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্স থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌগনি।

থৌরম অদুদা ৱাখল মান্নবা পার্টিশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌখিবগা লোয়ননা ওপোজিসন য়ুনিটিগী শক্তম অমা উবা ফঙলগনি হায়রি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না সিদ্রময়া অমসুং সিবকুমারগী মায়োক্তা করম্ববু ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরগী ফম শিন্নগদগে হায়বগী ৱারেপ লৌনবা হোৎনবদা খার্গেনা পার্টিগী হান্নগী চীফ সোনিয়া গান্ধী অমসুং রাহুল গান্ধীগী মতেং লৌখি। সিবকুমারনা দিপ্যুটি সিএম অহুমগী মনুংদা অমা ওইবা পামদে হায়বগী ইঙ্গিৎ উৎলকপদগী পার্টিগী লিদরশিপনা ফম অদু মহাক মথন্তবু পায়হনবগী ৱাফম হৌদোক্লখি।



মসিদা নত্তনা সিদ্রময়ানা মথংগী লোক সভা ইলেক্সনগী মতম ফাওবা মখা তানা টোপ ফম অসি পায়হন্নবসু ৱারেপ লৌখি।

পার্টিনা খন্নখিবা প্রপোজেলশিংগী মনুংদা অমদি লূচিংবা অনী অসিনা চহী মঙাগী ওইবা চীফ মিনিষ্টরগী চিয়র অসিবু স্যেৱ তৌমিন্নবগী ৱাফম অসিনি। ভেনুগোপালনা কর্নাটকাগী মীখল অদু লাইরবগা ইনাক খুনবগা শোক্লখিবা লান অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা কনানা সিএম ওইগদগে হায়বগী মতাংদা ৱারেপ লৌবদা পার্টিনা নুমিৎ মরিনি হেন্না মতম লৌখিবদু চুম্মী হায়খি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি সেন্ট্রেল ওবজ াৰ্বরশিংনা পার্টিগী এম এল এ খুদিংমক অমমম ওইনা উন্নদুনা মে ১৪ দগী মে ১৫ গী অয়ুক ফাওবা হিরম অসিগী মতাংদা মখোয়গী ওইবা মতশিং লৌখি অমসুং মখোয়না নুমিত্তুগী অথেংবদা কংগ্রেস প্রসিদেন্টদা মখোয়গী মতশিং অদু তমখি।

পার্টি ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না মে ১৪ দা পাঙথোকখিবা সেক্রেট বেলোট শীজিন্নখিবা ভোটতা সিদ্রময়ানা সিবকুমারদগী ভোট মশিং য়াম্না হেন্না ফঙখি।

# সিব সেনা (য়ু বি টি) গী মতুংদা এন সি পিনসু এম এল এশিংগী দিসক্কালিফিকেসনগী মতাংদা ৱারেপ থুনা লৌবা পাল্লি

**মুম্বাই, মে ১৮ (এজেন্সী):**

সিব সেনা (য়ু বি টি) গী মতুংদা নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টিনসু চীফ মিনিষ্টর ইগনাথ সিন্দে য়াওনা মহারাষ্ট্রগী এম এল এ ১৬ দিসক্কালিফাইদ তৌবগী ইস্যু অসিগী মতাংদা য়াম্না থুনা ৱারেপ লৌননবা শগোলশেল নুমিত্তা দিমান্দ তৌখ্রে।

এন সি পিগী নেসনেল স্পোক্সপার্সন ক্লিদি ক্লাষ্টোনা হৌজিক্তি সুপ্রিম কোর্টকী ভর্দিক্ট লাক্লে হায়না পল্লদুনা ৱাফম অসিগী মতাংদা খ্বাইদগী থুনা মীৎয়েং চঙদুনা ৱারেপ লৌননবা মহারাষ্ট্র এসেমব্লিগী স্পিকর রাহুল নারৱেকরদা তকশিনখি।

করিগুম্বা স্পিকরনা য়াম্না থুনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌদবা তারবদি স্পিকরগী কন্সটিট্যুস্নেল পোজিসনদা চিংনবগী ৱাফম কয়া হংলকপা য়াই হায়নসু ক্লাষ্টোনা ফোঙদোকখি।

এম এল এ ১৬ দিসক্কালিফাইদ তৌবগী ইস্যুগী মতাংদা শগোলশেল নুমিত্তা মহা বিকাস অগাদি (এম বি এ) গী মীচং সিব সেনা (য়ু বি টি) গী এমপি সঞ্জয় রাউটনা মেদিয়াদা ৱা ঙাঙবদা স্পিকরগী থৌওংগা মরী লৈননা ৱাহং কয়া হংখিবনি।

করিগুম্বা সুপ্রিম কোর্টনা মসিগী জজমেন্টদা থা তরা লৌবা তারবদি করিগীদমক্তা স্পিকরনসু ৱারেপ অমা লৌবা মতমদা মরম চাবা মতম লৌরোইদৌরিবনো হায়বা নারৱেকরগী ৱাফমগী মতাংদা পল্লদুনা এন সি পিগী লিদর অসিনা হায়খি, মদুদি এপেক্স কোর্টনা কেস অসি য়াম্না কুপ্না ষ্টদি তৌখি অমসুং স্পিকরদা মহারাষ্ট্র লেজিসলেচরগী কন্সটিট্যুস্নেল হেদ ওইনা মঙোন্দা পীরিবা ওথোরিটিগী মখাদা অকক্লবা ৱারেপ খরা লৌনবা দিরেক্সন পীখি।

ক্লাষ্টোনা হায়খি, মদুদি সিন্দে সিব সেনাগী হ্বিপ ভারত গোগাৱালেবু এপোইন্ট তৌখিবদু ইল্লিগেল ওই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা মতম চুপ্পদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মসিনা মরম ওইদুনা স্পিকরনা মহাক্কী রুল্লিং পীবদা তশেংনমক হেন্না লাইনা থোক্কনি। ওথোরাইজ তৌদবা হ্বিপ অমনা ইস্যু তৌবা দিরেক্টিব পুন্নমক চৎনফম থোক্তে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থা অসিগী ১৫ দা সেনা (য়ু বি টি) গী মসিগী হ্বিপ সুনিল প্রভুনা লুচিংবা দেলিগেসন অমনা দিপ্যুটি স্পিকর নরহারি জিরৱালবু উন্নখি অমসুং মেমোরেন্দম অমা সবমিট তৌদুনা স্পিকরনা য়ারিবমখৈ থুনা মহাক্কী ৱারেপ লৌননবা তকশিনখি।

হৌখিবা চয়োলদা সুপ্রিম কোর্টনা এম এল এ ১৬ কী ৱাফম অদু মহারাষ্ট্র স্পিকরগী দোমেন্টদা লৈ হায়না পনবগা লোয়ননা মরম চাবা মতমগী মনুংদা ৱারেপ লৌননবা খঙখিবনি।

চৈরকসিদা সুপ্রিম কোর্টনা ইস্যু অসিগী মতাংদা পীরকপা ভর্দিক্ট অমগী মতুং ইন্না পায়খৎফম থোকপা প্রোসেস হৌরে হায়না স্পিকরনা ফোঙদোকখি।

# দ্বারকা এক্সপ্রেস ৱে থা ৩-৪ গী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিল্লগনি

**গুরুগ্রাম, মে ১৮ (এজেন্সী):**

মথংগী থা ৩-৪ গী মনুংদা দ্বারকা এক্সপ্রেস ৱে মপুং ফানা লোইশিল্লগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ইন্সপেক্সনগী খোঙচৎ অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেস নিতিন গদকারিনা ফোঙদোকখ্রে।

কিমি ২৯ শাঙবা দ্বারকা এক্সপ্রেস ৱেগী আই জি আই এয়রপোর্টকা নক্লবা সিবমুর্ত্তিদগী দ্বারকা ফাওরগা শেল্লিবা কিমি ১৮.৯ শাংবা হরিয়ানা সেক্সনগী কন্সট্রক্সনগী থবক অরোইবা তাঙ্কক য়ৌরক্লে হায়খি।

দ্বারকা এক্সপ্রেস ৱে অসি এনএচ -৪৮ তা সিবমুর্ত্তি মনাক্তগী হৌই অমসুং দিল্লি-জয়পুর এক্সপ্রেস ৱেগী খের্কি দৌলা টোল প্লাজা মনাক্তা লোইশিল্লি। মসি লৈবাক অসিগী অহানবা এলেবেটেদ অর্বান এক্সপ্রেস ৱে ওইরগনি। এক্সপ্রেস ৱে অসি শরুক মরি থোক্না খায়দোক্লগা শারক্লিবনি। শরুক মরিদুগী মনুংদা কিমি ১০.০১ গী মফম দিল্লি রিজনগী মফম অনীদা লৈহল্লি অমসুং কিমি ১৮.৯ গী এরিয়ানা হরিয়ানা রিজনদা লৈহল্লি। হরিয়ানা রিজনগী মনুং চনবা দ্বারকা এক্সপ্রেস ৱেগী শরুক শেমগৎ শাগৎপগী থবক চাদা ৯৯ লোইশিল্লে হায়বা য়াই। এক্সপ্রেস ৱে অসি দিল্লিগী দি কঞ্জেসন প্লান্টগী মনুং চন্না লুপা ক্রোর ১০,০০০ চঙনা শেমগৎ শাগৎলিবনি।

দ্বারকা এক্সপ্রেস ৱে অসিদা মপুং ফারবা ওটোমেটেদ টোল সিষ্টেম অমা লৈগনি অমসুং প্রোজেক্ট অপুম্বা অদু ইন্টলিজেন্স ট্রান্সপোর্টেসন সিষ্টেম (আই টি এস) অমগী খুদোংচাবা লৈহনগনি। এক্সপ্রেস ৱে অসিনা দ্বারকাদগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট ফাওবগী কন্নেক্টিভিটি পীগনি।

# থবক্তগী পোত্থারবা আই এ এস ওফিসর করপসনগী মরাল শীখ্রে

**গান্ধীনগর, মে ১৮ (এজেন্সী):**

করপসন অমসুং পৱার লান্না শীজিন্নবগী মরালদা শগোলশেল নুমিত্তা গান্ধীনগর পুলিসনা গুজরাটকী থবক্তগী পোত্থারবা আই এ এস ওফিসর অমসুং হান্নগী কলেক্টর এস কে লঙ্গাগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখ্রে।

থবক্তগী পোত্থারবা আই এ এস ওফিসার লঙ্গা কুমজা ২০১৮ গী এপ্রিলদগী ২০১৯ গী নবেম্বর ফাওবা গান্ধীনগরগী কলেক্টর ওইরক্লবা মতুংদা সর্ভিসতগী রিটয়ার্দ তৌখিবনি। হান্নগী ওফিসর অসিবু মশাগী কান্নবগীদমক মহাক্না পায়রিবা ফম লান্না শীজিন্নদুনা গভর্ণমেন্টগী সেঙ্গাওদা চাওনা শোকহনখি হায়না মরাল শীখি।

মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অদুগী মতুং ইন্না শেল চানবগী মাঙজৌননা থৌরাং তৌখিবা স্কিম অমগী মনুং চন্না লঙ্গানা মহাক্কী কলেক্টরশিংগা লোয়ননা অরানবা লেন্দ ওর্দরশিং একজিক্যুট তৌখি। মসিনা মরম ওইদুনা গভর্ণমেন্ট ট্রেজরিদা চাওনা মাঙহনখি। মথৌ তাবা লুপা ক্রোর কয়াগী প্রিমিয়ম মখা তানা থিদোক্তনা লৈবনা ফিভম অসি লাক্লিবনি।

লঙ্গাবু লৌউশিংউগী থবক তৌদবা মীওইশিংবু লৌমীশিং ওইনা উহন্দুনা নমথাক্কী ওইবা থৌওং কয়া চথুদুনা লমশিংগী ষ্টেটস মেনিপুলেসন তৌখি হায়নসু মরাল শীরি।

কমপ্লেন্ট অদুনা মখা তানা হায়রিবদি থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা ফাওবা লঙ্গানা বেক দেট তৌদুনা দোক্যুমেন্ট কয়াদা খুৎয়েক পীখি। অসিগুম্বা লোনা য়াদবা এক্টিভিটিশিং অসি চথুদুনা লঙ্গানা মহাক্কী মিং অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগা চান্নদবা মওংদা লন থুম কা হেন্না পৈশিল্লমখি হায়না থাজনরি।

# ছত্যেন্দরনা সুপ্রিম কোর্টতা মহাক্কী হকচাং শোকচিল্লক্লে হায়বা খঙহনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মে ১৮ (এজেন্সী):**

মনি লোন্দরিং কেস অমদা সুপ্রিম কোর্টনা আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গী লিদর অমসুং দিল্লি গভর্ণমেন্টগী হান্নগী কেবিনেট মিনিষ্টর ছত্যেন্দর জ্যেননা ফাইল তৌখিবা বেল প্লি অমগী মতাঙদা শগোলশেল নুমিত্তা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে।

এএপিগী লিদর অসিবু রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সেনিয়র এদভোকেট এ এস সিংহবিনা জষ্টিসশিং এ এস ভোপানা অমসুং হিমা কোহলিগী বেঞ্চ অমদা থমখিবা মহাক্কী সবমিসনদা মহাক্কী ক্লাইন্টকী হকচাংগী ফিভম য়াম্না কা হেন্না শোকচিল্লক্লে অমসুং হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী অরুম্বা কেজি ৩৫ হন্থরকপগা লোয়ননা হৌজিক মহাক শরূ পোল্লাং ওল্লে। এপেক্স কোর্ট অসিনা জ্যেনগী প্লি অদুগা মরী লৈননা নোটিস ইস্যু তৌখি অমসুং মঙোন্দা কোর্ট অসিগী ভেকেসন বেঞ্চতা মুভ তৌদুনা মহাকপু বেল পীবগী ৱাফম রিজেক্ট তৌখিবা দিল্লি হায় কোর্টকী জজমেন্ট অমগী মায়োক্তা থাবা মহাক্কী প্লি য়াম্না থুনা লিষ্টিং তৌনবা হায়জবগী খুদোংচাবসু পীখি।

এদিস্নেল সোলিসেটর জেনরেল এসপি রাজুনা ইদি রিপ্রজেন্ট তৌখি। চহী অসিগী এপ্রিলদা দিল্লি হায় কোর্টনা মনি লোন্দরিং কেস অমগা মরী লৈননা জ্যেন অমসুং মহাক্কী এইদ অনীনা থারকখিবা বেল প্লিশিং দিসমিস তৌখিবনি। মনি লোন্দরিং কেস অদু ই দিনা প্রোব চথুরিবনি।

জষ্টিস দিনেসকুমার শর্ম্মানা হায়, জ্যেন অসি ইথিল পীবা ঙম্বা মীশক অমনি অমসুং প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ) গী মখাদা বেলগী কন্দিসন অনী সেতিসফাই তৌরে হায়বদি য়াদে। কোর্ট অসিনা মসিগী প্রোসিদিংশিংগী ভেলিদিটি য়েংশিনবগী মতম ওইদে।

# এল ই দি / নিওন লাইটশিং ফিট তৌবা ভেহিকলশিং ফিটনেস সার্টিফিকেট পীরোই

**কোচি, মে ১৮ (এজেন্সী):**

ফিটনেসকী সার্টিফিকেট অমা পীবগী ৱাফম লাকপদা মচু কয়াগী এল ই দি/ লেজর /নিওন লাইজরশিং লাইটশিং নত্ত্রগা ফ্লাস লাইটশিং ফিট তৌবা ভেহিকলশিংদি মোটোর ভেহিকলস (এমবি) লোশিংগী প্রোভিজনশিং কমপ্লাই তৌবা ভেহিকলশিংনি হায়না লৌবা য়ারোই হায়না কেরলা হায় কোর্টনা রুল্লিং পীখ্রে।

কোর্ট অসিনা হায়খি, মদুদি অসিগুম্বা ভেহিকলশিং অসিনা অতৈ ভেহিকলশিং অমসুং মখোয়গী দ্রাইভরশিং, খোঙনা চৎলিবা মীওইশিং অমসুং অতৈ লম্বী শীজিন্নরিবশিংগী সেফতিগী ৱাফমদা অকিবা চাওনা পী।

মরম অদুনা মচা কয়াগী এল ই দি /লেজর/নিওন লাইটশিং, ফ্লাস লাইটশিং ফিট তৌবা ভেহিকলশিংদি এ আই এস ০০৮ তা প্রেস্ক্রাইব তৌরিবা সেফতিগী ষ্টেন্দর্দশিং ইফোঙ ফোঙনা থুগায় হায়না লৌগনি। অসিগুম্বা ভেহিকলশিংনা লম্বীদা মায়োক্লনা থৌরক্লিবা গাড়ীশিংগী দ্রাইভরশিং, লম্বীদা চৎলিবশিং অমদি অতৈ লম্বীদা শীজিন্নরিবশিং মীৎ থকহন্দুনা অসিগুম্বা মীওইশিংগী সেফতিদা অচৌবা থ্রেট অমা পীবা য়াই।

মসিনা মরম ওইদুনা লোগী মতুং ইন্না অসিগুম্বা মখল কয়াগী এল ই দি /লেজর/নিওন লাইটশিং অমসুং ফ্লাস লাইটনচিংবশিং শীজিন্নবা গাড়ীশিং চান্নবা মওংদা দিল তৌগদবনি।

অসিগুম্বা পোৎ-চৈ পুরিবা গাড়ীশিংদি ফিটনেসকী সার্টিফিকেট পীবগী হিরম খন্নরকপা মতমদা মোটোর ভেহিকলস এক্টকী প্রোভিজনশিং অমসুং রুলশিং ঙাকই লৌবা য়ারোই হায়না রুল্লিং অদুদা পনখি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৬

১) **"ঈচেলদুগী মতাইদা"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **"মসিদা এডুকেসন দিপার্টমেন্টনা শন্দোকপা সিলেবাসগী মতুংইন্না লোন তম্বীবগা লোঈননা হৌনবী অমসুং রাজভক্তি তম্বীবা হাঈবা অদু ঙম্বমখৈ কাঈদনবা ঙাকচরি"** মণিপুরগী খূৎমাবা ৱাক্মা অমনা ইবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপা ৱাহৈ খরনি। ৱাক্মা অসি কনানো অমদি ৱাহৌদোক অসিদা য়াওরিবা লাইরিক অসি করিনো?

৩) **"দাদীবুধা"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) **"অমেরিকাগী ঈশৈ"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **"নঙগী ৱারী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# শেম্বা-শাবা লোইদ্রিবা খুন্নাই...

*লমায় ৪গী মখা...*

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমত্তদগী কাঙলূপ মশেল নুংঙাইনদবদা দেল্লীদা ৱাকৎপা চৎতে। ঐখোয়গী লমসিগী মেরিট ৱাৎপা, ৱাখল খন্থবা ঙমদবা, শেলনা থোং শারগা, শেলনা মীয়াম্বু লৈরগা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইখিবশিংদি দেল্লী অসি মখোয়গী অহানবা পোক্লফম লমদমদৌনা খল্লি। ইমুংগী ৱাফমদা লৈকায়না ৱারকফম থোক্তে। ইপা ইপুশিংনা থল্লম্বা বাউন্দরি অসি মালেমগী লৈবাক অমত্তনা শেমদোকপা ঙম্বা নত্তে। লৈবাকসিগী বাউন্দরি কন্নবা হোৎনবদা ইহান হান্না থৱায় থাবা মীদু ঐহাক ওইজগে হায়না চহী ৩০গী মমাঙদা ইজরগা মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রবনি। ঙসিসু অহোংবা লৈতে। কংলৈপাক্কী ৱাফমদি কংলৈপাক্তা লোইশিনগদৌবনি। ইকায়নীংঙাইনি মীতোপশিংদা ৱাকৎলিবদু। থবক চিনবা, ৱাখল খনবা মীদি খৎনবা-চৈনবগী ৱারেম-থৌরেমগী ৱা তানীংদে।

পোলিটিসিয়নশিংসি পব্লিক লিদর নত্তে। পব্লিক লিদরশিংদি মথংগী জেনরেসনগী য়াম্না ৱাই। অদুগা পোলিটিসিয়নশিংদি মথংগী ইলেক্সনদা অমুক হন্না মায় পাকপা অমসুং পাৱর পায়বদুনি। ইচম-চন্বা মীশিং শিরিবসি মখোয় থোইনা নাচুংবা নত্তে। অদুনবু তপ-তানা কেরগা ৱারেম থৌরেম ঙাঙবগী ফোটো অদু পাউচেশিংদা উরি। নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল লেভেলদা পুথোকপা য়াবা পোলিটিসিয়ন অমত্তা মীয়াম্না খনবা ঙমদ্রি। করম্বা মীওইবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনগদৌবনো হায়বদু মীচম মীয়াম্না খন্থদ্রি। মতম অদু ফাওবদি মীয়ামসু অদুম ৱানা হিংবীয়ু। William Shakespeare গী Julieus Caesar গী Brutus ঙাক্তনি হৌজিক্কী মতমগী পোলিটিসিয়নশিংসি।

ঐখোয়দি Mongoloid Stock নি। অর্য্যান ব্লদ নত্তে। মমা-মপা মফম মরাং খঙদবা খরনা অর্য্যান ব্লদনি, অর্জুনগী মশুনি, মচানি হায়দুনা ক্লেম তৌজরম্বগী, ৱাখল খন্থদবগী ৱারেমনি। মীয়ামগী ফন্দবু মশাগী ফন্দ ওন্থোক্লগা শাখিবা অৱাংবা বিল্ডিং কয়াসু নোংমদি শোয়দনা উৎ ওল্লকখিগনি। হুরাল্লগা শাবা টাজ মহল ফাওবা লৈবদা নুংঙাইবা ফংলোই।

উৎতগী ৱানা হৌগৎলকখিবা জপানিজশিংনি। মখোয় ঙসি ফাওবা অমেরিকাদগী পোৎ-চৈ অমত্তা, য়েতুম ফাওবা লৈদে। হো-চিন-মিননা ভিএটনামিজ করম্না পুখৎলকখি? সিঙ্গাপোরগী Lee Kuan না করম্বা মওংদা লৈবাক্তু থল্লমখি? চাইনাগী Mao Tse Chung, Chou-En-Lai, South Africa গী নেলসন মন্দেলা, অমেরিকাগী জোর্জ ৱাশিংটননচিংবসি ৱর্ল্দ সিটিজন ঙাক্তনি। চাওখৎপা, অফবগী মতৌ তমসি। মেরিটতা বেজ তৌরগা কম্পিটিসন খুদিংদা মকোক ওইনবা তূমদ-চাদনা হোৎনসি। রিজার্ভেসন কোটাদা হিংবা হৌনদে। ঐখোয়গী অৱাৎপা করিসু লৈতে।

এসিয়ন কন্টিনেন্টগী কুমজা ১৯৬৪দা ওলিম্পিক গেমস টোকিওদা পাঙথোকখ্রে। মথংদনা সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনাদমক পাঙথোকপা ঙম্লি। ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক গেমসগদি পাক পাঙথোকপা ঙমখিরোই। মালেমসিদা মীনম্বা ঙাঙবগী নোবেল প্রাইজ লৈরন্নবদি মণিপুরদগী য়াম্না তোয়না ফংগনি। চাওখৎপা য়াম্না ৱাৎলিবা লমদমনি। Washington Post & New York Times অসি পেজ ১০০ হেন্না পাল্লগা নুংতিগী ফোঙলি। পেজ ৬ পাল্লগা ফোঙলিবা পাউচেসি য়াম্না ৱানা ফোঙলি। শোয়রিবসি Political & Election system, Education Policy, Social Reformation, Economy and Religions ethics তসু শোয়রিবনি। ●

# ৱেষ্ট বেঙ্গলদা দ কেরেলা ষ্টোরিদা থল্লম্বা অথিংবা এসসিনা লৌথোকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মে ১৮ (এজেন্সী):**

ইষ্টর্ন ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা 'দ কেরেলা ষ্টোরি' হায়বা ফিল্মদা থল্লম্বা অথিংবা শগোলশেল নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা লৌথোকখ্রে।

থা অসিগী ৫ দা রিলিজ তৌখিবা ফিল্ম অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মরা তপ্পা ফিভম লিংবা য়ানবগীদমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা বেন তৌখিবনি। অথিংবা অদুবু লৌথোকখিবা বেঞ্চ অসিগী রুল্লিংনা হায়খি, মদুদি ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেটনা ৱেষ্ট বেঙ্গল সিনেমা রিগুলেসন এক্ট, ১৯৫৪ গী সেক্সন ৬ (১) গী প্রোভিজনশিংগী মখাদা ফিল্ম অসি ষ্টেট অসিদা উৎপদা অথিংবা থমখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ফিল্ম অসিবু ষ্টেট অসিদা উৎপদা অথিংবা থল্লিবসি চৎনবা য়ারোই। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী এদিস্নেল সেক্রেটরিগী ওর্দর অদু ষ্টে তৌরগনি হায়না বেঞ্চ অসিনা মসিগী রুল্লিংদা পনখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা দ কেরেলা ষ্টোরি হায়রিবা ফিল্ম অসিবু বেন তৌরিবদু মদুদা কাঙলূপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ফিভমদা শোক্লিংঙাই ওইবা অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমদা অকায়বা পীগদবা তাবদা হঙ্গোই তুক্কৎচবা পোকহনগদবা স্পিচ অমদি মেনিপুলেসন তৌরবা ফেক্টশিং য়াওবদগীনি।

এদভোকেট আশা শর্ম্মগী খুত্থাংদা ফাইল তৌখিবা ষ্টেট অসিগী এফিদেবিটতা ৱাফমশিং অসি পনখিবনি। এপেক্স কোর্টকী বেঞ্চ অসিনা হায়খি, মদুদি ফিল্ম অদু সেন্ট্রল বোর্দ ওফ ফিল্ম সার্টিফিকেসননা সার্টিফাইদ তৌখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিদা লো এন্দ ওর্দর মেন্টেন তৌবা হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী মথৌদাংনি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE: TRANSPORT DEPARTMENT**
**ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / E-TENDER NOTICE**

Imphal, the 18th May, 2023

**No. M-TPT/138/2022-DoTPT-DT:** The Department of Transport, Government of Manipur invites bids from interested Helicoptor Service providers in the Country for Wet Leasing of one twin engine Helicopter (pax seating capacity 11 to 13) for passenger flight services in Manipur and adjoining areas under subsidy scheme of Ministry of Home Affairs, Government of India. The details may be seen from https://manipurtenders.gov.in.

**Sd/- Dr. Nivedita Lairenlakpam**
Director (Transport),
Manipur

HL-B/8151/19

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 290/SDC/Hng/IE/2023**

Naoroibam Biren Singh S/o (L) N. Borajao Singh of Heingang Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

(Late) Naoroibam Iboton Singh S/o (L) Chaoba Singh of Heingang. -O.P.

**ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTICE**

Dated : 18th May, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: ১৬-হৈঙাংদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ... অনৌবা পাট্টা নং: ২৩৯, দাগ নং: ২১২২, এরিয়া .৬৮ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি মশুনুপা অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C., Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C., Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.

HL-P/6719/19

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 291/SDC/Hng/IE/2023**

Naoroibam Biren Singh S/o (L) N. Borajao Singh of Heingang Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

(Late) Naoroibam Iboton Singh S/o (L) Chaoba Singh of Heingang. -O.P.

**ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTICE**

Dated : 18th May, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: ১৬-হৈঙাংদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ১২০, ৪৪ অনৌবা পাট্টা নং: ২৩৫, দাগ নং: ২১২৮, এরিয়া .৬৩ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি মশুনুপা অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C., Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C., Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.

HL-P/6719/19

Fax : 0385-2414625
Phone : 0385-2414539
0385-2414629
e-mail : rims@rims.edu.in
website : www.rims.edu.in

**REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES**
**(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)**
**IMPHAL - 795004 : MANIPUR**

**ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / NOTICE**

Imphal, the 18th May, 2023

**No. B/561/2022-SR/RIMS(Pt-II) :** A walk-in Interview for selection persons for the posts of Senior Resident of Anaesthesiology Department will be held on 19th May, 2023 at 2 p.m. in the Conference Room of Director, RIMS, Imphal. The appointment is purely Tenure basis for a limited period of 6 (six) months. Interested candidates having the following qualification, experience and within the upper age limit may attend the walk-in-interview on submission of an application enclosing their bio-data, along with photocopies of relevant testimonials at the place of the interview. Candidates associated with the Health & FW Govt., of Manipur have to enclose "No Objection Certificate (NOC)" from the concerned department failing which their candidature may be cancelled without further intimation to the concerned candidate. The candidates have to produce their original certificates testimonials before the Selection Board.

Department/Unit wise vacant posts of Sr. Resident are as follows:

| Sl. No. | Name of Posts | Scale of Pay | No. of Posts | Reservation | Qualification and Experience |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Sr. Resident (Anesthesiology) | P-B3 Level-10 | 2 | UR-2 | a) Postgraduate degree (MD/ MS/DNB) in the respective subject from the institute recognized by MCI b) Candidate must be registered with the Manipur Medical Council/Medical Council of India |

The upper age of the post is 45 years, relaxable as per Government of India norms. This issues with the approval of the Director, RIMS, Imphal.

Sd/- **Taiptha Keishing,**
Section Officer i/c (General),
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-B/8150/19